ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯱꯲, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, নবেম্বর ১২, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২২৩শুবা মশীং

## ফৌবৈ মৈ থাবা

### শাদি শারংদা থম্মু

লৌ পানবা/উবা লোইশিল্লকপগী ফৌ মুল্লবা লৌশিং য়ৈনবগীদমক খাওরগা পৈদুনা থম্বা ফৌবৈ মৈ থাদোকপগী থৌদোকসি মমাঙ চহীগী লৌউ পান্থাদসু থোকখ্রে। মফম অমা খক্তদা য়াম্না তাঙনা থোকখিবা নত্তে। ইম্ফাল ৱেষ্টকী লৌফমদসু থোকখি। ইম্ফাল ইষ্টকী লৌফমদসু থোকখি। হায়বদা, তাবদা য়াম্না তেনবা 'ফৌবৈ মৈ থাদোক্লম্লে' হায়বগী ৱানি। থৌদোকসিনা হকচেন্নরিবশিংদি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। লৌফম অমা পীকপা/চাওবগী ৱাফম মন্থিনদনা লৌ পানবা/উবা য়ানবগীদমক শেমগৎলকপসি লৌরি য়ানবদগী পারগা ওন্থোক্লা য়ামখ্রবা থবকনি। থবক মচা অমসুং অঙাং নত্তে। লোকপা য়াবা ফাওবগী থাক য়ৌহল্লক্লবা হোৎনরকপদা য়ামখ্রবা মতম অমসুং শেল ময়াম চঙলিবনি। অদুগা লোক্লগা থৱায় ওইরিবা চেঙ ফংগদৌরিবনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থবক অমসু ওইরিবনি। লোক্লিবা লৌমী অমসুং লৌপুদু খক্তনা চাবদগী লেম্লকপশিংনা তাইথোরকপদগী অতোপ্পা মীওইশিংদসু কান্নহনগদৌরিবনি। ষ্টেটকী ওইবা ফৌথোক্কী চাংদসু হেনগৎহনগদৌরিবনি। অদুবু পূম্নমকসি ওইথোকহল্লক্কদবা পৈদুনা য়ৈননবা থম্বা ফৌবৈবু মৈ থাদোক্লম্বা থৌদোকপু মীওইবা মশেলগী মরক্তা থোরকহনফম থোকপা থৌদোক্লা হায়বগী ৱানি। থৌদোকসি থোকহল্লম্লিবশিংদু মীওই অমত্তনা নৎত্রগা খরনা ওইরম্লবসু মখোয়দু মী খ্বাইদৌনা চাক চাবা অমসুং মফি মরোল শেৎপা মীওইশিং ওইরবসু মখোয় মীওইবগী ৱাখল চেনবা ঙমদবা মীদি মী মানবা অদুগা শারমচৎ চৎপা শাশিংগী মনুংদগীসু মতু পানবা খ্বাইদগী তমথীরবা শানি হায়দুনা লৌগদবনি। অদুগা অসিগুম্বা মখলগী শাশিংসিদি য়ূমদা য়োকপা শাশিংগী মনুংসু চন্দবনিনা অফংবা/থেংনবা মফমদা হাত্তোকখিবা নৎত্রগা ফারগা শারংদা চেকশিন্না থমগদবনি।

হায়রিবা থৌদোকসিমক কুমসি লৌরোক পান্থাদসু থোকচিল্লক্লে। নবেম্বর ৯, ২০২২গী নোংঙাল্লমদাইদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী হেক মনিংদা লৈবা লৌকোন অমদা থোকখ্রে। খাওরগা য়ৈননবা থম্বা লৌ শঙম অমগী ফৌবৈ মৈ থাদোক্লম্বদগী তুম্না চাকখ্রে। মী ওইদ্রবা শারমচৎ চৎপশিংগী থৌদোকসি মসিনা হন্দক্কী লৌরোক পান্থাগী অরোইবা ওইরক্তবসু য়াই। মমাঙ চহীদা থোকখিবদৌনা খরগসু মখা শমথরকখিবসু য়ারি। মরম অসিনা য়াল্লবা শেল অমসুং মতম চঙনা লৌ উরিবা লৌমীশিংনা মখা তানা থোরক্তনবা ফৌবৈশিং চেকশিনবীয়ু। য়ৈবা য়ারবা লৌশিং খাওবগা য়ৈথোকপীয়ু। খাওরগা য়ৈদ্রিঙৈদা নুমিৎ খরনি নুংশা ফুহনবা অমসুং ফৌদোকপগী তঙাইফদবা লৈরবসু চেকশিল্লবা মফমদা, অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোরক্লোই খনবা, মৈ থাদোক্লম্বা ঙম্লরোইদবা মফমদা চেকশিন্না থম্বগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নীংই। পুলিসকী মায়কৈদগীসু ও খোংনা কপ্লবা লৌমী/লৌপুশিংগী মায়কৈদগী 'ওফিসল ইজাহার' ওইবা য়াবা অইবা কমপ্লেন্ট রিপোর্টশিং ফাইল তৌরক্ত্রবসু 'শুও-মোটু' দা এফ আই আর কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলু। কমপ্লেনেন্ট ওইগদবা লৌমী নৎত্রগা লৌপুগী এগজামিনেসন নিংথিজনা পাঙথোকউ। লৌখৎলিবা কেস অদুগা মখোয়গী এগজামিনেসন্দগী ফংলকপশিংদুগা কোরোবোরেট তৌরব্রা হায়বদু কূপ্না য়েংশিল্লু। লৌখৎলিবা কেসতুগী চথফম থোকপা ইনভেষ্টিগেসনগী থবক থৌরমশিং অমত্তা চিথ্খদনা পাঙথোকউ। মরাল লৈবশিং ফাগৎতুনা লোগী মতুং ইনবা চৈরাক ফংহল্লু। হন্দক অমুক হন্না থোরক্লিবসি মমাঙদা থোকখিবশিংদা লৌমী অমসুং লৌপুনা মপি তৈথোক্লগদা তোকখিবদগীসু ওইগদৌরিবনি। মতুংদদি য়াম্না ৱানা কুম অমগী উজরকপা লৌ য়ৈদুনা মহয় চারমদাইদা উৎতা ঘি পুল্লপ হৈজিনবগুম্বগী থৌদোকসি অমুক হন্না থোরক্তনবা, থোরকহনগে হায়নসু খল্লক্তনবা চেন্নবা মীওইশিং ফারগা কাবাক খন্দুনা য়াইফৌ ফৌবগী তঙাইফদবা লৈরে। লৌমী অমসুং লৌপুশিংনসু থোকখ্রবদি থোকখ্রে হায়দুনা নাশোন পীক্লা লৈশিনগনু। মীশক মীমাই য়েংদনা চপ চাবা চৈরাক পীহৌবনা হন্না থোরক্তনবগী অচৌবা পাড়া অমা ওইগনি। লৈকায় অমসুং মীয়ামগী লূপশিংসু ইচং থৌনা চোঙথোরক্তুনা পুলিসকী মতেং পাংগদবনি। অদুগা লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী মায়কৈদগীসু মকোক্তা মখূৎ হাপ্লবা লৌমী/লৌপুদা পীবিফম থোকপা তেংবাঙশিং পীবিগদবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৩

১) **"ৱাখলগী লৈকোল"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"থিয়েটর অমসুং নুংগী ৱাখল"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) **"ৱাকৎ"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"জনান্তিক"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকপগে?

৫) **"অওনবা সমাজ"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?


মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নহাক

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

*(ৱারী অমখক পামিন্নসি, ঙসিদি ৱাইরু ৱাইরুবদা ৱারীমচা অমদা খংৱাই ৱাইশিল্লুরে, ৱারৌবীবা য়াদে। পোৎ চপ মান্নে ৱারী ওইনা ইজবগী ৱাদনি।)*



নথন্দনি ঐনা নরোল নরি ফাইরবী নঙগা অহানবা ওইনা থেংনখিবা অদু। ১৯৬৯ ওইবা য়াই নৎত্রগা ১৯৭২, চপ চাবা অমা নীংশিংবদি ঙমদ্রে (ওহ অনীমক অমত্তা নৎলমদ্রে ১৯৭০ ওইরম্লে)। এলাংবম দীনমনিগী ***থক্লবী*** কৌবা ৱারীমচা অমদনি নঙবু ঐনা থেংনখিবদু। নঙ হাইরং হাইরং মৈ অকাপ্পীগী মমাঙদা লেপ্লম্মী। নশানা নশাবু পূমকাউ কাউথোক্লদুনা ইকায় ইকি ৱাংমদা। কুইরে অমুক নঙগা ঐগা মতমদুদগী কায়নখিবা। নুমিৎ অদুদগী নঙগা ঐগা অসুম শক উনখিদবা নত্তনা নীংসু নীংশিংখিদ্রে।

মসিগী মমাঙদসু নঙগা নোংমা অমসু কাউখ্রবা নুমিৎ অমদা নশক উদবা মওং অমদা থেংনখিবা মাল্লি। মদু ঐনা ইমাগী মতুং ইন ফিজি পায়দুনা ইমাগী মপামদা শোরাৎ অমা চৎপদনি। মতমদু ঐ অঙাং য়াম্না ওইরি। নঙনা নুমিৎ খুদিং নিশা পাল্লগা য়ূমদা হল্লকপগী ৱাফম অসি তারকখিবনি। নহাক্লা তৌই হায়রিবা থবক অদুদি ঐনা ইমিৎমক্লা উবা ফংখিদে মতমদুদা। ঐনা নহাক্কী পুন্সিবু হঙ্গোইনীংঙাই ওইরবা মশক অমা ওইনা পূক্লিংদা তিল শীৎখি। নহাক্কী নশক্তি ঐনা উরকখিদে। নহাক নুমিৎ অদুদা ইমাগী মপামদসু লাকখিদে। নহাক্কী ৱারীখক্তনি ঐনা তারকখিবা।

কুমজা কয়া উনখিদ্রবা মতুংদা ১৯৯৮দা নঙগা ঐগা থেংনখি অমুক। মতমদুদা নহাক নথন্দা নৎলমদ্রে। মতাংসিদা হায়নীংবা অমদি লৈ, নহাক্কী চহী অসি কয়ানো হায়না মীনা খঙনীংলমগনি অদুবু নহাক্কী চহী অমদি নহাক্কী নশক ওইনীংবতা ওইবা য়াই মসিতংদি শেংদোকনীংই। নুমিত্তুদা নহাক্লা লোয়ননা নখোয় নতারোই অহুম ওইরম্লে। হায়বদি চহী কুন্থ্রারোম অসিগী মনুংদা নখোয়গী নতারোই মশীং হেঙ্গৎলম্লে। মফমদু কাংজৈবুং মনীংগী ভেন্দর মচা অমদনি। হৈনদবা মনম কয়ানা তিল্লবা অখুবা কা, বেঞ্চ মঙা-তরুক, দেস্ক খরা, কাউন্টর অমা, ৱাঙাঙ শাঙাঙ হৈবা, মমিৎ মনা য়াম্না শিংলবা মোজাফুরিৎ অমনবা লীৎপা মেনেজর অমা, নখোয় অহুমগা ঐখোয় অনীগা মী তরুক্তনি মফমদুদা, মী মশীং পল্লুবগী কান্নবদি লৈতে সুম নীংশিংলকপতনি। নুমিত্তুমা ঐখোয় মঙাদু কদাই কদাইদগীনো শম্বল অমত্তা খানদ্রবা ৱাহৈশিং, ৱারীশিং, মীৎয়েং নায়েংশিং অমনা অমদা শিন্নখি। ঙাইহাক্কী মতুংদা ঐগী মরুপকী অহানবগী য়াউম অদুমদি নহাক্কী কোইজদ্রবী নখূৎনা মুনবিখিদুনা মরুপকী মশামক্কী মখূৎমক্লা থকচবা ফংহনখিদ্রে। ফম্মিন্নবদু লোইরগা ঐগী মরুপকা ইবানি মফমদুদগী থোরক্লবা হোৎনবদা মরুপ্তু লেপখৎচবা ৱানা থোক্লে। নখোয় অহুম চঙদুনা মাবু ফল্লিবা বেঞ্চতগী চিংখৎপীখি। নখোয় অহুম্না ইবানিবু থোংজিল ৱাংমা লান্না কোইজদ্রবা ৱাহৈ কয়া নরোল নরি ইফাই ফাইরদুনা থিন্দোকপীরকখি। ঐখোয় অনী থানা চাবা থকপগী অতাবা শেল নখোয় অহুম্না পীবিখি। নখোয় অহুম্না চপ মান্ননা মোমোন নোকমিন্নরদুনা হায়রকখি, "মফমসিদা য়াম্না তোয়না লাকউ, নখোয় ৱারী শাবা য়াম্না নুংঙাই অদুবু অমদি হীদাক থক্তে, ৱা কয়া ঙাঙদে, চাবদমক চায়, মতুংদদি থকপসু হৈরগা লাকউ বাই!"

নখোয় অসি মফমদুগী নতিক নথৌনা য়াম্না লৈরবী ঙাক্তনি হায়না খনখি ঐনা। মসিগুম্বসি অহানবা ওইননি ঐগী পুন্সিদা থেংনবা। মীগী মিনোক হায়বসে নখোয়গী নফমদা তশেংনমক ফাগিনি। নঙনা নরোল নরি ফাইনা হায়খি ঐঙোন্দা, "দাদা, নহাক অসুক মগুণ লৈখ্রবা অমৃত অসি শীজিন্নদ্রিবা করিগীনো হায়য়ু?" নুমিত্তুদা নহাক্কী নফমদা ঐনা হায়খি, "ঐদি মদু শোকপা য়াদে। ঐগী ৱারী অমা লৈরি। মদু নোংমা নঙনা থক্তবা নিশা পান্দবা নুমিৎ অমদা লীরগে, ৱারী অদু তারগা নহাক্লা নহাক্কী ঙসিগী ৱাহং অসি মখা তানা হংনীংবা পোক্তবসু য়াই। নহাক্লা অসুম্না হংলকপসে ঐদি খুম্ফম খঙদে। ঐনা মসি শীজিন্নদ্রগা ঐ অসে ফরে নৎত্রগা শিংলে হায়বদি খঞ্জদে।" ***নহাক*** ৱা মখাদি তারকখিদ্রে। ঐখোয় নখোয়গা কায়নরদুনা মফমদুদগী য়ূম তান্না হল্লক্লে।

লম্বীদা অসুম নীংশিংদুনতা লৈখি। উদুনতা লৈখি। ৱাখল কয়া খলহনবা অমদি করি করিনো য়াম্না তাক্লিবা পীশুমশিং! ঐনা ইথন্নতা হংজখি, মখোয়গী পীশুমশিং অদো অদুম্মাইনমক নৎত্রবদি মখোয়না ফোয়বা য়েকপা ইয়ামক য়াদ্রবজাৎলা? নৎত্রগা করিগীনো? মখোয় অসে কনানো, করম্বা মীশকনো হায়বসি মখোয়না য়েক্লিবা পীশুম খূৎয়েকশিং অদুনা, লিপষ্টিক খূৎশঙশিং অদুনা ইরায় লায়না ইতাক্তা তাক্লবা হোৎনরিবদু মায় পাকই। মখোয়গী বাইও দাটা নৎত্রগা প্রোফাইল অদো মখোয়গী খজাইগী লাইবক্কী উনশাশিংদা লোৎপা য়াদনা ইরি। মরিং মরাংবা লীচৎ, ফৈনা চৎলিবা পুন্সি, কুচু শেংদ্রবা মখোয়গী মায়থোঙ পূম্নমক লোইনা ইশম শম্নবজাৎনি, মরী ইরৈ লৈনবজাৎনি হায়বদু তাক্লি। নঙবু ঐনা নুমিত্তুদগী অমুক হন্না থেংনখিদবসু কুইখ্রে।

অহুম্লক শুবা ওইনা নঙবু ঐনা ২০১৪দা থেংনখি। ঐখোয় নুপা নুপী ময়াম পিক্লিক অমগীদমক ঐখোয় খরা এঞ্জাং-নাপিনচিংবা পোৎলমশিং লৈমিন্নরুবা ঈংশিল্লক্লবা নুমিৎয়ুংবা অমগী মতুংদনি। নুমিৎ অদুদা নহাক নবানী অমুক লাকখি। নহাক্কী অহুমশুবা নতারোই অমদি লিভর সিরোসিস নাদুনা লৈখিদ্রে হায়খি নঙনা। মহাক্তো মশক্তি য়াম্না ফজবনি। মাগী শাবান অদু কাউদ্রি। লমদি য়াম্না হেল্লি মহাক্তো, খৎলি হায়বা নত্তনা করিসু হায়নীংঙাই লৈতে অদুবু লৈখিদ্রে হায়বা পাউ তারবদি হেক নুংঙাইতবা পোকই, শিবা হায়বসে অরোইবনি, অৱাবা ফোঙদোকচরি। মীওইবা অমনা শিবদা অৱাবা পোকপা অসি মীওইবা অমগী লোয়নদুনতা লৈরবা মতোমদা পোকচরকপা অৱাবা অমা ওইরমাল্লে। মাগা ঐগা করিসু মরী থোক্লজদে অদুবু নুংঙাইতবা অসিমদি পোক্তবা ঙমদে। ঐদি মাবু শিহন্নীংদে। মাগী ফজবা অদু মাঙহন্নীংদে অদুবু মহাক মরমচৎনা শিজরে। মাগী মরমদা অমুক কোইথোক্লা নীংশিংলিবসি করিসু মরী লৈনদবা পাউদম অমনি অদুবু অসুম তমজরি। মাগী ৱারী তোল্লসি। নোং ঙাল্লগা চাক চানগদবা নুমিৎ অদুগী নুংথিল অদুদা নবানিনা ফোন তৌরক্তুনা অমুক নবানীসু ঐখোয়না কৈথেল কারুবা হল্লক্লগা ঐখোয়গী নাক্তা লাকখি। এঞ্জাং নাপী শেম্বা য়াওরখি। নবানী হায়রিবা অসিদা অমদুমদি ঐনা মশক মশা খঙদে। অহানবা থেংনবনি শকসু খঙনদে। মহৌশা নঙগা পুল্লম্বা অহুমদুগী মনুংদা অমা শিখ্রগা হিংহৌরিবী ঐনা মশক খঙখ্রবী অমদুদি নত্তে। লাকমিন্নরিবী অদুগী মশক অদু ঐনা নাকোইননা শৈথাজররোই, মাবু উবদা ঙাওদবা কনাসু লৈরোই হায়বা ৱাহৈ খরা অসিনা পুল্লপ শুপচিল্লগে। খিত্তংসু হায়দবদি ঙমদে, লাকমিন্নরিবী মহাক্তো য়াম্না ইকায়থীগনবী মশক ঈং তপ্লবী অমনি, মোং হাজদে। মহাক য়াওরকপদগী হান্না ইকোই কোইনজদনা ঐখোয় নুপাশিংনা ঙাঙনা শক্লরম্বশিং অদু ইকোই কোইনরকই। ৱা ঙাঙবদা ৱাহৈ ৱাতা খরা চেকশিনবা মথৌ তারকই। মানা উখিদনা লৈরম্বা য়ুঙাংগী অহাঙবা লিক্লীশিং তহা তহানা লোৎশিল্লি অমদি মদুবু য়োল্লকপা চেগী বোক্সশিং অদুদি লোৎপা নংহৌদনা টেবল মথক্তা চাইনা তারগা লৈ।

"ইবেম্মা, নখোয়বু মসি হৈনবা নৎত্রা?" চেগী অহাঙবা বোক্সশিং অদুদা মবানীবু মশক খঙদবা অহল অদুনা ব্যবহার লৈনা হংলকপনি।

"য়াই, তামো, কৈসু কায়দেদা" নহাক্লা অহলদুদা হায়খিবনি।

"ইবেম্মা অমসিমদি হৈনগদ্রা?"

"করিসু কায়দে কাকা" নহাক্কী লাকমিন্নবী নমান্নবী অদুনা মাগী মায়থোঙদা ইকায়থীবগী মতৌ অমত্তা উত্তনা হায়রকখিবনি।

হান্না লৌদুনা থল্লিবশিংদু ঐ থাদনা মখোয় তরুক্লা থকপদা কোন্নদ্রদুনা বোট্টল অনী অমগা অমুক লৌরুই। মদু লোইরবা মতুংদা নখোয় তুরোই ঙারোই হৌগৎখি অমদি ঐখোয়না নবানীগী খূৎ শমদুনা নখোয়বু নখোয়না থৌগদবা কারগী মনাক তান্না থিন্দোকখি। নবানী এঞ্জাং নাপি শেম্বা ঙমলমদ্রে।

"নবানীবু কার থৌবা ঙমগদ্রা?"

"ঙমগনি কাকা।" নবানী তপ্পা কার থৌখি।

অসিগুম্বা থৌদৌসি অউবশিংনা করিসু হায়বা ঙমদ্রেদা। করিসু লূম্না খন্নখিদ্রে হায়বফাও য়ারক্কদৌরে মতমসে হোংলক্লি। লুনা লুনা লৌনরম্বা কয়া হৌজিক্তি করিসু খন্নদবা ওইনা তৌরে। মথং নুমিত্তনি। ময়াম পিক্লিক চাক চানখি। নঙগা থানা নখোয় নতারোই কুনমুক শুরমগনি হৌজিক্তি কুমজা খরগী মতুংসিদদি। নখোয়না চাকচা মাঙদা হাঙহল্লম্বা অঙাংবা লিক্লিশিং অদুনা দষ্টবিনশিং অদু পীক থল্লি। ময়ামদু অমসু অমসু নুপী নুপা খায়দবা হৌরকই। ঙাঙননীংবা ঙাঙনৈ, শাননীংবা ৱারী শানৈ, জগোয়সু শানৈ, শক্লিংবা ঈশৈ শক্তোক্লৈ। ঙাথু থেংথুনৈ। নুপাগা নুপীগা অহলগা অঙাংগা খেন্নবা অমত্তা লৈরক্তে পূম্নমক তেমখ্রে। ইমান্নবশিংগা নখোয়গা খূৎ শোক্লৈ, লেঙ্গোন্নৈ, জগোয় শামিন্নৈ, খুজিশিংগী মখোলশিংনা নিল্লি। মদুবু নোক্লরিবশিংদো চাওখত্তবা ঙাক্তা ওইখি। নুমিৎ অদুদগী অমুক নহাক্লা ঐগা থেংনখিদ্রে।

নোংমা মোরেদা ঐখোয় ময়াম কেম্প অমা চৎখি। মণিপুরগী মফম কয়ামুক্তগী লাকখিবা লাকখিবী ময়ামদো নুমিৎ নীনি মফমদুদা ভড়াদা লৈবা তাখি। অচৌবা হোটেল অমদা ঐখোয় ময়াম পূন্না লৈমিন্নখি। মদুদা নঙ য়াওরমখি। নঙগা লোয়ননা নহাক্কী নতারোই মশীং কুন্থ্রারোম শুখি। মশা ইনখৎলকপদা ঙায়রিবী নুপী মচাশিং, শকহেল্লবী লৈশাবীশিং অমদি মৌ নহাশিং য়াওরি। নোং ঙাল্লকপদা নখোয়গী কাগী থোঙজিল মপান্দা ইহাঙ হাঙনা লৈহৌবা ফত্ত হৌদি হাপ্লবা চাগী পোলাং অদুদা নুমিদাং হাঙহনবীরবা য়ুঙাংগী লিক্লিশিং অমদি মদুবু য়োল্লকপা চেগী উপুশিং অদু থনকোক তৌনা য়াওরম্মী। ঐ মফমদুদা ঙাইহাক লেপ্লগা মীৎ কুপ্তুনা মদুবু য়েংলগা লৈখি। নহাক্কী কাগী থোঙ করম্বা মতমদা হাংলক্কনি হায়বা ঙমদে। মরমদি ঙরাং নখোয়না তূমথবা অদু নোংঙাল্লমদাই ওইরম্বা য়াই হায়না খল্লি। লাঙখিবা ঈশৈ শকখিবা পূম্বা অদু ফনা থেংখ্রে। মোরেগী খোঙচৎ অদুগী মতুংদা নহাক্লা ঐগা অমুক হন্না মখা তানা উনখিদ্রে।

কাইনথংদা পাউ অমা তাখি নোংমা। নঙ চাওরবা রেষ্টুরেন্ট অমদা ফিরোল মফম মরাং খঙদনা নিশানা লাকহৎলদুনা নখোয় ময়াম জগোয় শাখি। জগোয় অমা মাঙথোকখি হায়। করি জগোয়নো হায়না ঐনা মফমসিদা ময়েক শেংনা তম্বদি ঙম্লোইদৌরে। অহাঙবা লিক্লিশিংনা তম্লকপা মপাউনি নহাক্কী নতারোই মশীং খজিক খরাক নৎখিদ্রমাল্লে। সোসল মীদিয়াদা থাগৎলকপা নহাক্কী জগোয় মতেক অমদি ঐনা উখি। ঐ নুংঙাইখিদে। ঙসিদি নহাক নহাক্কী নতারোইশিংগী মশীং অনৌবা ধর্ম্ম অমা পাম্না লৌনরকপগুম্না য়ামখৎলক্লে। অসিগুম্বা নহাক্কী ধর্ম্ম অসিনা লমদম অসিগী অতিয়া অসি মমশিল্লক্লিবরা ঙান্থোরক্লিবরা? শোয়দনা মসিনা নুমিৎ থোক্লবসু মঙালদি ফংদবা হায়বদু ওইহল্লক্লগনি হায়না ঐনা ৱাজবা লেপ্তে। নঙমক্তি মসিনা শোকহন্নীংদবনি ঐনা। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ হৈবী # ৩৬৭

**— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —**
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরগী পুৱারীগী মতমদগী শীজিন্নরক্লে হায়না লৌনরিবা পাম্বীশিংগী মনুংদগী হৈবী পাম্বী অসিসু অমনি। হায়নবা অমা লৈ মদুদি "ঈরু লুজদনা হৈবী তৈবী"। মসিগী ৱাহন্থোক্তি ঈরু লুজবা য়াম্না তনবা মীওইশিংনা মশা অদু ফুৱাওনবা অদুদগী ঙাকথোক্লবা হৈবী পাম্বীগী অমুনবা মহৈ অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু গ্লীসরিন (Glycerine) গী মহুৎ শিন্দুনা তৈবা অদুবুনি। মসিনা ফুৱাওনবা অমদি ঈরু লুজবা তনবা মীওইশিং অদুনা কেজনীংবা অদুবু করেম্নবগী মওংনি। নাকল অমরোমদনা হৈবী পাম্বীগী নৌতক তৌবা মনা অদু কূপ্না শোইরগা শিংজুগী মরু ওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নৈ। হৈবী পাম্বীগী অমুনবা মহৈ অদু হাওনা চানবগী মথক্তা অমুনবা মহৈ অদু মশুং নাইনা পানা শোইরগা পয়াদা লেংলগা কংহল্লগা য়াম্না হাওনা চানৈ।

হৈবী পাম্বী অসি ইংলিসতা ফোল্স থোর্ন-রান্দা (Fales thorn-randa), অসামিজদা কেতকুৱা (Ketkua), মলেসিয়ানদা দুরি তিমুন তাহিল (Duri timun tahil), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা মেনা স্পিনোসা (Meyna Spinosa Roxb. ex Link) নৎত্রগা ভেঙ্গুইরিয়া স্পিনোসা (Vangueria Spinosa (Roxb. ex Link) Roxb.) নৎত্রগা ভেঙ্গুইরিয়া মিকেলিয়ানা (Vangueria miqueliana Kurz) নৎত্রগা পাইরোসত্রিয়া স্পিনোসা (Pyrostria Spinosa (Roxb. Miq.) হায়না কৌই অমসুং রুবিয়েসী (Rubiaceas) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি - অসৱাগনধ (ৱিথানিয়া সোমনিফেরা), চিংশু-নাপু পাম্বী (হলদিনা কোর্দিফোলিয়া), হামৈবোন পাম্বী (এক্সোরা কোক্সিনিয়া) অসিনচিংবনি। পাউদমশিংগী মতুংইন্না হৈবী পাম্বী মখল ১১ এসিয়াদা ফংবগী মনুংদা স্পিসিস ৩ লোম ইন্দিয়াদা ফংই।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না হৈবী পাম্বীদা য়াওবা মরু ওইবা কম্পাউন্দশিংদি - ত্রাইএটর্পিনেস (Triterpines), ফাইটোসতেরোল্স (Phytosterols), ফ্লেভোনোইদস (Flavonoids), ফেট্টি অলকোহোল (Fatty alcohol) অসিনচিংবগী মথ্কতা আইরন, কোপ্পর, জিঙ্ক, মোলিবদেনমনচিংবশিং চাং ৱাংনা য়াওই।

হৈবী পাম্বী অসি হীদাক লাংথক ওইনা শীজিন্নবগী মথক্তা হীরম কয়ামরুমদসু শীজিন্নৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা হৈবী পাম্বীগী মনা অমসুং অমুনবা মহৈ অদু চানবগী মথক্তা চেঙহী লোনবদসু য়াম্না মরু ওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নৈ। চেঙহী লোনবদা হৈবী পাম্বীগী মনা হাপ্লবগী মরম বিজ্ঞানগী ওইবা মীৎয়েংদা য়েংবদা শম অদু পোপ-পোপ লাওনা শল্লাং ফজনা তাহনবা হায়বদি কন্দিসনর (Conditioner) অমা ওইহনবা ঙম্বগী মগুণ অদুগী মথক্তা পাম্বী অসি কোকফাই শুজা মখল কয়ামরুমসু ঙাকথোকপা ঙমহনবা মরম্না কোক্তা হীকপী লৈবা অদু হাৎপা ঙম্বগী শক্তি য়াওরমগনি। ইন্দিয়াদা লৈবা ত্রাইবেল কাঙলূপ কয়ামরুম্না হৈবী পাম্বী অসি অঙাং য়ৈথনবা হীদাক শেম্বদা য়াম্না মরু ওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নৈ। হৈবী পাম্বীগী মরূ অদু ঈশিংদা শুগাইরগা শেম্বা মহী অদু অঙাং ওইহনবা ঙমহন্দে হায়দুনা পীথক্লে। হৈবী পাম্বীগী মরূ, হিং অমসুং চনম মরূগা চাং মান্ননা লৌরগা শুগায়দুনা শেম্বা মচল অদু নুপী-নুপানা হক্তিন্নদ্রিঙৈ পুং খরগী মমাঙদা পীজরবদি নুপী অদু অঙাং ওইহনবা ঙমহন্দে হায়বগী পাউদমশিং লৈ। ত্রাইবেল কাঙলূপ খরনা হৈবী পাম্বীগী মহৈ অদু পানা শোইরগা ঈশিংদা মিনট খরা শৌহল্লগা শেম্বা মহী অদু পীথক্তুনা দাইবেটিস হায়রিবা ঈশিং পুকচৎকী লায়না অদু লায়েংনৈ। ইনখৎলক্লিবা নুপীমচা নৎত্রগা নুপামচাশিংনা মায়দা উরিং (পীম্পল) থুংলবদি হৈবী মনা অদু ফজনা শুগাইরগা শেম্বা মোলোম অদুনা চাং নাইনা নোংমদা ২-৩ লক তৈবদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংবা ঙমগনি। অমুক তৈখ্রবা মতুং পুং ২-৩গী মতুংদা মায় অদু শারপ তৌবা ঈশিংনা চামথোকপীগনি।

হায়রিবা অশেম্বা অদুনা চাং নাইনা তৈবদসু মখল কয়াগী ফুগ্রিসু ফহনবা ঙমই হায়বগী পাউদমসু লৈ। হৈবী পাম্বীগী অনৌবা মনা অমসুং মতোন অদু ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু চাং নাইনা পীথক্তুনা চাকখাও চাথৎপা অমদি পুক নুংশিৎ য়াম্না কাগনবা অদু লায়েংনবগী মথক্তা জোন্দিস হায়রিবা নাপু কাবগী লায়না অমসুং ফিরাক চাওথোকপা অমসুং মপাঙ্গল শোন্থবা অদুসু লায়েংনৈ। হৈবী মনা ফুৎলগা শেম্বা মহী অদুনা কোক লুজথোকপদা য়াম্না তোয়না কোক চিকনবা অদুসু ফহনবা ঙম্বগী পাউদমশিং লৈবনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা চেঙহী লোনবদা হৈবী মনা অসি হাপ্লবগী মরম অসি কোক ঈংহনবা অমদি কোক ঙাওবা অমদি চিকপা অদুদা চাওনা মতেং পাংদুনা চেঙহী অসি হীদাক্কী ওইবা মওংদসু শীজিন্নবগী ৱাখল্লোন অসি ঐখোয়গী ইপা ইপু অমদি ইমা ইবেলশিংনা য়াম্না লীরবা মতমদগী লৈরকপা শোয়দনা ওইগনি হায়না থাজৈ।

অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না হক্কী ঈশিং লীক্লা চৎপা অমদি ঈশিং চৎপদা শাবা-নাবা হায়বদি ঈশিং য়াফম তৌবদা হৈবী পাম্বীগী অনৌবা মতোন অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনসু লায়েংনৈ। তীল-কাংনা চিকপদা হৈবীগী মমুন ফাদ্রিবা মহৈ শুগাইরগা থোম্বদা থোইদোক্লা কান্নহল্লি। য়াম্না পূক্লিং চিংশিন্নীংঙাই ওইবদি হৈবীগী অমুনবা মহৈ অদু চাং নাইনা চাবদা চাকখাওগী কেন্সর অসিদা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। ●